


*"খোংঙো নোং, চুরো ঝম ঝম,*
*শীৎলু নুংশিৎ ঊ ঊ লাউনা।*
*শীনখ্রেনে অতিয়া অমম্বা মৈখুনা*
*লৈখিদ্রে সংসারদা অচুম্বা মঙাল।"*

*- নীলকান্ত*

*(চৎলসিনে কদাইদনো ইবানি)*

## থুম্মোক খোঙনাইবী

**—এম নিলাকুমারী**

ইবেনপোক্কী থুম্মোক খোঙনাইবী
খৈদেন চৎপদা পুরম্মী
হাপ্পীংবা পোৎলম হাপ্পবা।
ময়ায়দসু শেগায়রে
শিকি অনাগী ঙারী হাপ্লুবগী।
হৌদোং, ঊচিনা চিকখায়রে
হৈখন কয়া য়োন্থোকখি-য়োনবা চৎপনি।
নোবাব, হৈনিং, হৈগ্রু, হৈনৌ, হৈখ
ঙামোক কয়া পুশিল্লকই-কবোক মতুম লালু মতুম।
থম্বৌ হৈঙান, হৈতুপ, হৈঙান, অৱাথবী হৈঙান,
চিনি চফুসু য়াওই
খঙহৌদে হোংখিবা মতমগী চৎনরোল।
কৈথেল ঙামোক মাঙখ্রে-
খাউজাওনি খাউজাও পুনরিবা
য়োন্ননবা য়াওদে লৈরক্লুবা ঙাক্তনি।
অচাপোৎকী মখলনি-মিমি মেগী অঙ্কলচিপ
চোক্লেট আইসক্রিম পিং-পোং
পিক থল্লি পিক থল্লি খঙহন্দবা
অমুবা চেখাউদা য়েনশা-ওকশা
শাগৎখিবা তোংশানি য়াংল ঈগী ঈচেলনি।
ওক হাৎলি, য়েন হাৎলি,
হাৎপগী হৈনবীনা হাৎলি মীবুসু।
অওনবনি অনৌবনি ফজবনি।
হাত্তোক্লবা ফুদৎনবা থিন্দৎনবা
কাউথৎনবা কপখায়নবা অরুবা নত্তে।
ঈচেলদুগী শমথরকপনা লোইখ্রে মাঙখ্রে
থুম্মোক খোঙনাইবী মমি মাঙখিবনি
লোইখিবনি, ইবেনপোক্কী অনা-শিকিগী ৱারী।

## থম্মোয় পাউদম

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐনা ইরিবা অসিবো
শৈরেংলা, ৱারেংলা
নৎত্রগা নুংশি চিঠি হায়বা অদুরা?
মসিমতংদি ঐনা হায়নীংই
ঐগী থম্মোয়গী পাউদমনি
মহাক্কী মফমদা।
মহাকপু উখিবা নুমিৎ
অদুদগী ঐগী পূক্লিং ৱাখল
থম্মোয় মাগী মা ঙাক্তনি।
তাইবং অসিদা মহাকপু
নোংমা উখিবা নুমিৎ
অদুনা ওইখ্রে ঐগী ইফমদা পূম্নমক
ইপান থাগী অঙাওবা
ঈথক ঈরৈদগীসু হেন্না
ইচেল কল্লি নুংশি মাগী ঈথক্লা।
লেপ্তুনা চেন্থরকপা ঈচেলনা
নাক য়েৎ তোৰ্ব্বান্দ অনীমক্তা
নীক-নীক লাওনা চেন্থরি ঈচেলনা।
হে নুংশিবা নঙগী নগুন অসে
ওন্তোক্লা চাওখ্রেদা, অরাপ্পা অনকপা
নঙগী নঙমক্তনি।
নুংশি নঙগী কল্লবা ঈচেলনা
ঙসিদি মনীং তৌনা চেনখ্রে
ঐগী থম্মোয় লকানুংদা
থুমহৎখ্রে নুংশি ঈচেলনা
ঐগী হকচাংগী কয়াৎ পূম্বা।
ৱারবা হকচাংগী পোলাং
পুরদুনা মফম কৈদনো
খঙদনা চৎলি ঐনা।

## শিন্থরনু য়াদ্রবা কাইনবগী পিরাং

**—ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম**

শিন্থরনু য়াদ্রবা কাইনবগী পিরাং
নুংশিববু মগুন হেন্না ৱাংহল্লিবা
কাওরো য়াদ্রবা লমহেল্লবা থম্মোয়
খল্লুবদা ৱাজৈ পূক্লিংসে নঙগীদমক।
কপ্তুবা শাদুনা অহিং কয়া কপচখি
মীরাইবীরে খন্দুনা ওইজবা থিবা নচৎতা
মঙলম্বা মঙলান্না লৈচিল ওনখ্রবদা
থোৎলবা থম্মোয়সু কনশিনখরে নূংগুম
শমজিন্নবা য়াররোই কাইখ্রবা থম্মোয়
মাঙ-তুং খঙদনা নুংশিবা থিবা নচৎতা
পুন্সিগী শুক্লবা/মম্লবা উমংদা শান্নরুবা
ওইহৌরে ইরাল-ওইহৌরে ইরাল ঐতগী।

## শাফোঙলো

**—তখেল্লম্বম নোগেন্দ্র লুৱাং**

ৱা কায়রবনিনা ঈশিং চঙলে
ঈশিং চঙলবনিনা হঙোই চঙলে
মায়গৈ মরি শুংদাই নীপালদগী
লুবাক মখুম নাইদরে
হঙোইনা খুল্লিংলে গো গো...
মনীং তম্লে কোমনুংসিদা।
ঊচি কল্লক নয়ূম 'থাবা
ওইরেদো ইরমদম ঙসিদি মীরমদম,
নাপলনা ময়াই কারিঙৈ
লৌবিদরে নৱাসু কনানা,
কমলাক কুরু শুংলবোই
মীগী থৌদা ইনবদা।
নশাগী নশক খঙজদ্রবোই
কনাবু কিবগী লোৎলিবা
পায়মা নঙগী নীংশাদি
মৈরী অরাবা ওইবনি
শারো নোংথাংগী জগোই
শাফোঙলো মালেম শীন্থুংনা।

## অনৌবা মালেম অমগী

**—সূর্য্যমনি য়ূম্নাম**

চৎপদি চৎলি
হিংবসু হিংলি
ফংবদি ফংদে
তামসু তামদে,
অচিকপা মফম
অশেংবা মপাউ
মফম কৈদা লৈবগে?
শাপাউ লানপাউ
ওলাং ওনশাও
ইৱাই ইনিল
কদায়দনো ঈং-তপ্পা
থম্মোয় মপাউ শেংনদে
মপা মচা য়ানদে
মচিন মনাও মুক্লেদো
ঐগীনা মকল্লি খন্দুনা
লানফম শেম্মী মালেমসে।
ময়ি চৎলে চেকখায়রক্লে
মচেৎ মচেৎ তানা
উফুল ওন্দুনা তেল্লনি
অনৌবা মালেম অমগী।

## মন্ত্র

**—অচোম ওংৱী বিনা দেবী**

ওং মন্ত্র মন্ত্র মরাং তুরাংবা
অফস্পা অফস্পা অফস্পা
মীহিং চাঙম্বা মীতম্বালশা
নখোয়দা চৎখ্রো নরমদমদা
শেংলবা সনা লৈবাকসু
মোৎহল্লে নম হাদুনা
মীতৈ চনুরা লক্তে অতাংবী
ইরোম চনু শর্মিলা
মালেমদা অনী শুদ্রবীনি।
খাঙবদা ৱানরে মীয়াম
হিংদবদি য়াদ হামচৎনরে
চাদবদি য়াদ চদৎনরে
থৱায় মীরেল হামফোইনরে
নহনফমদা হনখ্রো হনখ্রো
নতেফমদা তেখ্রো তেখ্রো
শোল্লসি তাইবং পূম্বনা
মন্ত্র অসি অরুবনে
তাইবংপান পূম্বা ঈংনবনে
শোল্লসি কাউগনু কাউফদেয়ে
ওং মন্ত্র মন্ত্র
শু শু শু।

## খোংলি অপীকপা উচেক অমা

**—রঘু লৈশাংথেম**

ঐগী থোঙনাওদা উরি
খোংলি অপীকপা উচেক অমা
তোংলদুনা অশংবা উনাগী উপালদা।
ঐনা কৌখি
খূৎ হৎ-হৎতুনা
শকউ হায়খি ঈশৈ
নঙগী নুংশিবা খোঞ্জেলদা
মঙালগী শৈহেক খোন্থাং য়ৈনা
নিলহল্লু অতিয়া শিন থুংনা।
পাইরি উচেক মচাশিং
শংবান্নরবা অতিয়াসিদা অইংবা মালং ইপোমদা
য়েংলদুনা ইপাকশিং অপীকপা লৌখোংশিং
কোয়না কোয়না পায়রিবা মালেম অতিয়া।
ঐনা হায়খি হো অতিয়া
নঙ নীংখায়বা য়ারোই
ঐগী অপীকপা অতিয়া
ঙাইরিবনি নঙগী লৈচিলগী শক্লোনশিং
মঙালবু য়াকাইহল্লকপদু মতম পূম্বা।

## ঙসিগী ঈশৈ

**—অনান্দ লৈশাংথেম**

কালেন্থাগী ঙল্লবা অয়ূক্তা
তারং তারংলবা নুমিৎকী
লংলবা মঙালদা;
য়েংলু য়েংলু খুদিংদা
সনানা পুময়োম য়োল্লে
লুপানা খোংনেৎনফম ওইরে।
চেক্লাশিংগী মেংলবা খোঞ্জেলদা
ঈশৈগী শুর ওইদুনা
শকপা হৌরকই ঈশৈ,
ময়েক ওইরগা তাইবং শিন্থানা
ফজরবা ঈশৈশিং শক্লকই থৱায়না
খোন্থাং য়ৈরি চীংয়া তময়াদা।
ঈশৈগী শুর কায়রকপদা
মালংবা মানা মেনশিল্লি
হুমজিলদুনা তপ্পা তপ্পা নাপদা
হাপীরি ঈশৈগী অনৌবা ময়েক
চীংদোন্দা কোন্দুনা লৈরম্বা
খূৎ হৈবা লাইয়েকপশিংনা
চল্লন্মী পাউখোং কয়া
কোরৌগী মগুন খঙনা
ঈশৈগী শুর কায়হনদনা
তান্থা চানা চানা
ঈশৈ ময়েকশিং অদুগা।
কোরৌগী কোরি চেল্লবা
ঙঙান্নরবা মচুসিনা
খূৎহায় পীরক্লি শৈশকলোইশিংবু,
ঈশৈগী শুরনা লোইরকপদা
তাখিদরে পোম্বী চেক্লাগী ঈশৈসু
ইচিক চিকহৌরে হাংলবা লৌবুকসে
চল্লক্লি পাউখোং কয়া
থাবল ফরবা থাজনা
মপাং য়াওদ্রবা নোংঙিল চেক্লাদা
ফোংলি পাউখুম কয়া
পেনবা নাইদ্রবা তাইবংদা।

# ঐ অমদি অদুঙৈগী ঈথৎ

## (রিজনেল নোভেলগী মহাও পীরিবা মেমোয়র মখল অমা)

**নোবেল** ইবগী খূৎই মখল অনীখক লৈ। অমনা 'ঐ' হায়বা লমচৎ অমগী মীশক অমনা সুম ৱারী লী লীদুনা ৱারী মপুম তাল্লকপা, অতোপ্পা অমনা অইবদুনা অইবগী শক্তম লৌদুনা পূম্নমক খঙবা, পূম্নমক উবা মওংদা লমচৎ পূম্নমক্কী মশক য়েক্লকপা। মালেমদা লৈরিবা নোভেল অয়াম্বা অনীশুবা মখল অসিদা ইবনা অয়াম্বনি। অহানবা মখল অসি তাঙনা থোকই। ঐখোয়গী ওইনসু ইরৈবু লৈত্রি হায়বা য়াই। ক্ষেত্রি বীর লম অসিদা খূৎ থাদুনা 'ঐ' হায়বা নোভেল অমা পুথোকখ্রে। অদুবু মদুসু ঐ অমত্তগী খূৎই নত্তে, লমচৎ খুদিংমক্লা 'ঐ' হায়দুনা ইবা খূৎইনি। অদুবু ঙসি পায়খৎলিবা নোভেল অসিদি 'ঐ' হায়বা অমনা চহী কয়া মাঙলুরবা মতুংদা হনুরবা মতমদা মাগী পোক্লফম থাঙ্গদা হল্লকপদা ইম্ফালগী বস পার্কিংদগীনা থাঙ্গ থমংখোং য়ৌবদা লোইবা নীংশিং ৱারীদা যূম্ফম ওইবা নোভেল অমনি। অনীশুবা লাঞ্জাও মমাঙগী ৱারীগা ২১ শুবা চহীচা চঙলকপগী মতমসিগা শমজিন্নবা ৱারী খূৎলিনি। মসিদা লমদম অমবু য়েকপা, রিজনেল নোভেল হায়বদুগী মহাও ফজনা পীরি। মখল অসিমক ঙসিফাওবদা ঐখোয়গী নোভেলশিংদা মশক থোক্লা কনা অমতা খূৎ থাদ্রিবনি। মসিদি ওন্থোক্লা নুংশিবা মখলগী নোভেলনি। ইংরাজি খোরিরোলগীদা থোমাস হার্ডিনা মাগী পোক্লফম ভোর্চেষ্টরবু উইসেক্স হায়না মমিং থোন্দুনা 'মেয়র ওফ কেষ্টরব্রীডজ' নোভেল ইবদা ফাওরিবনি। মাগুম্না নুপীলক্তা এমিলি ব্রোন্টেসু ইংলেন্দগী ষ্টেনব্যুরী খুঙ্গং ময়াদা লৈবা অতোঙবা লমদম অমনা মফম ওইরগা 'উদরীং হৈথ' কৌবা ফজরবা রিজনেল নোভেল ইখিবনি। নোভেল মখল অসিমক্তি লমদম অমগী ফজবখক্তবু থাবা নত্তে, লমদমদুগী ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, চৎনবী, হৈনবী, পুন্সি মহীং কয়াদু চংফংনা চঙশিন্দুনা শক্তম অমা লমচৎ অমা শাগৎলকপনি।

হায়রিবা মচৎ অসিমক বেরিলনা থাঙ্গনা ফম্বাক ওইরগা শেমগৎলকপা লমচৎ খরগী ৱারী লীশাংনি, তাঙনা থোকপা মখলনি। লম অসিদা লময়ানবা উপন্যাসকার হিজম গুননা মাগী 'ইপাম মৈহৌরে' দা চিংথ্রাউপোকপী কৌবা কল্পনাগী লমদম অমা শাগৎলকপা হৌখ্রবনি। অদুবু মপূং ফাখিদে। হন্দক্কী বেরিলগী নোভেল অসিদদি ফনা ফজনা মাগী থাঙ্গগী পুন্সি মহীং য়েকপা ঙল্লে। মসিমক্তি থাগৎফম থোকই। চহী ৮০ মুক্কী মমাঙগী থাঙ্গগী পুন্সি ফজনা উৎপা ঙল্লি। ওন্থোক্লা রিএলিষ্টিক ওইখ্রে। মিত্তা শংশং উহনবা ঙম্মী ঈপাক অসিগী মচৎ। মসিদি লোক্তাক খোঙবান্দা লৈবা মীদনা খঙগনি।


ৱারী মপুংদি অসিনি। লাইশ্রম চাউবা কৌবা নুপা অমনা পুংকক চাউরকপদা থাঙ্গ থাদোক্লম্লগা কনা লৈজদ্রবা মাগী পুন্সিবু পুদুনা মফম খঙদনা চৎখিবদগী চহী ৮০ মুক শুরবা, অহল মতম ওইরবা মতমদা মরমদম নুংশিরক্তুনা নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা হল্লকপগী মওংনি। অইবনা য়াম্না হৈনা ফ্লাস বেক, নীংশিংবগী, মেমোয়রগী টেক্লিক শীজিন্নদুনা ইরি। চাউবনা থাঙ্গ চৎনবা ইম্ফালগী বস পার্কিংদা বস মনুংদা ফম্বদগী হৌরগা থমংখোং কোমজিন য়ৌবদা লাইরিক অসিগী লামায় থুপচিল্লি। মাইল ৪০ মুক্কী খোঙচৎ অসিদা লামায় ১৭৬ কী মনুংদা ওন্থোক্লা ফজনা মতমদুগী পুন্সি অমত্তা চিংখদনা য়েকপা ঙম্মী। মদুগীদমক অইবনা চাউবগা শাগৈগী মনাওশিং অমা বসতা থেংনহল্লি। ৱারী শান-শাননা য়ুখল হাইদোক্লকই, মঙাও থীবা লোক্তাক ইমাগী মশক। মসিদা য়েক্লি, থাঙ্গগী মীয়াম্না লোক্তাক খোঙবান্দা পুন্সি করম হিংলি, হিগী মতেংনা লোক্তাক করম হায়না লোয়নৈ, ওন্থোক্লা মচু তাখ্রে। ফুম নম্বা, লাং থাবা, খোই থাবা, নুপীনা হিথক্তা ঈন চিংবা মখল কয়া অমমমদা উৎলকই। অপাবা মী পূম্বা লোক্তাক্তা পুথবা ঙম্মী, ফুম নম্বা য়াওহনবা ঙম্মী। অদুদগী মতমদুগী ডাক্তর লৈত্রিঙৈ, লম্বী থোং ফৎত্রিঙৈ, লাইজাউ থোকপগী লাইচৎ লাক্লবদা উপাই লৈত্রদুনা ফুমশঙদা যুগ থৈবা, মদুদসু নোংলৈ-নুংশিৎনা ফুমশঙদু হুমদোকখিদুনা শিদে খাক্লা চাউবগী মমা, মপা, মচলনুপী, মশামক্কা লোয়ননা হল্লকপা ওন্থোক্লা ফজনা য়েকখ্রে। মতমদুদা পঙনা পানবা খুন্নাইগী মশক, মাইবনা লৌবা থৌদাং, নাপীনা, শরেং ময়ানা, শনম্বা ময়ানা, উনা-ৱানানা লায়েংলিঙৈগী অশেংবা শক্তম ফজনা উৎলি। লৈশাবীশিংনা লশিং শিন্নাই কারিঙৈ নুংদাং থাবলদা ফৌ শুরিঙৈ, পাখঙশিং ফৌ শুবা য়াওরিঙৈ, লিক্কোল শান্নরিঙৈ, কিহোম চাবা চৎলিঙৈ, অদুবু লমচৎতা অমকপা লৈনদ্রিঙৈ, থম্মোয় ফজনরিঙৈগী খুঙ্গংগী পুন্সি ফনা ফজনা য়েকপা ঙল্লে হায়নীংঙি। লৈশা-পাখঙগী রোমেন্স অমা শাগৎপা নত্তে, মসিদি মীচমগী পুন্সি য়েকপা নোভেলনি।

নোভেল অসিগী মশক অমনা বেরিলনা থাঙ্গ খুন্থোক্লকপগী ৱারী অমা পাউদম্নবা হোৎনবা অসিনি। থাঙ্গ লমদম্বু কোল্লিবা চীংনিংথৌনা লোক্লিংথৌ কৌরম্বা, চাইরেল্লাকপা ইবুধৌগা হিদান্নরকপা, ৱাংঙু তম্ফা লাইরেম্বীনা হিরম অশম্বা তাক্লকপদগী লোক্লিংথৌনা হান্না য়ৌবা, অদুবু হান্না থাঙ্গ চীংজাউ কোল্লম্বা লাই নামুংবনা লোক্লিংথৌবু তরাম্না ওক্তুনা চীংনিংথৌ থোল্লম্বা, চাইরেল্লাকপসু চীংখা মায়কৈদা লৈহনখিবা, লাই অহুম্না খুন্থোক্লকপা ফজনা উৎলি, মিথমক ওইরবসু নাতৈ চাহল্লি হায়নীংঙি। অদুদা নত্তনা থাঙ্গ কৌদ্রিঙৈদা 'কেগে' কৌরম্বগী ৱারী, থাঙ্গ করম্না কৌরকই হায়বগী ৱারী ফজনা য়েক্লি। পূম্নমকসি চাউবা কৌবা করেক্টর অসিনা বস মনুংদা ফম্না ফম্না, নীংশিং-নীংশিং উৎলকপা ফজবা মখলগী খূৎইনি। নীংশিংবদা চন্দবা লৈতে হায়বদুনি। তাহৌবা খরা, উহৌবা খরা, থেংনরকপা খরা তাশিল্লগা লাইরিকসিগী লামায় খুদিংদা পাহন্নিংবা পোকহল্লি। খঙনীংবনা মাঙ থানা পাবনা লোইখিবা খঙহৌদবা লাইরিক্লি।

অমুকসু বেরিলনা থাঙ্গদা তারিবা শাগৈ কয়া অসিগী য়ূমদারোন ফজনা, মচা খায়না য়েক্লি। সলাম করম্না লাকখি, হৈস্নাম করম্না য়ৌরকখি, নিংথৌজম, হাওবিজম্না হান্না খুন্দারম্বগী ৱারী, মোইরাংথেম শাগৈ লাকখিবগী ৱারী লোইনা উবা ফংলি। শাগৈ পূম্বা মরী-মতা লোইনা ওইরকই হায়বগী ফজবা পুৱারী উৎপনা থাঙ্গ খুন্নাই শেম্বদা মরা চেৎনা থম্বা ঙল্লি। ঈশিংগী পুন্সিনিনা, লুহোংবদা হি খাবক লাক্তুনা বর লাকপা, কন্যা থিনবা ফজনা উৎলি। অদুক ফজনা পুখৎলকপা ৱারীদা অৱাবা কয়া লাল্লক্লবদা খোঙ হাম্বগী লাইচৎ অমা লাকপদা কয়াম ৱাবা চৈথেং পীবগে হায়বদু লাইরিক অসিনা উৎনবা হোৎনরি। চাউবগী ইমুং পুমতুম তুমখি, মপা, মমা, মচল অশিবা কৌবা লাইনা শেত্তুনা পুখি। চাউবা ঙাওচৎনখি। লৈফম খঙদ্রদুনা নাইতোম তাবা পুন্সি পুদুনা ইম্ফালদা হোটেলগী কোল-লিক ফেঙবা, চাম্বগী থবক তৌদুনা লেনখি। অদুসু অমুক মীচৈ তাবদগী, মীনুংশি চাউবা নুপা অমনা পুবিদুনা গাড়ী চৎপা য়াওবদগী বংলাদেশ য়ৌখি। দ্রাইভর অমা ওইরকপা, শাংলবা ৱারীনি, খজিক খজিক হায়দোক্তুনা ওন্থোক্লা সস্পেন্স লৈনা ইরি অইবনা। লামায় লোইরকপদা খঙলকই, চাউবা হৌজিক বংলাদেশকী ভানুগছ সহরদা চাদা-নাউদাদুনা লৈরে। মশু নুপা অমা পুরগা মরমদা য়েংবা লাকপনি। কয়াদা নুংশিখ্রবা ৱারীনো। কয়াদা মচু তাখ্রবা খূৎইনো। খূৎই অসিমক নৎত্রবদি করম্না লীগনি চহী ৮০ মমাঙগী খুন্নাই অমগী ৱারী। হৌখ্রবা মতমগা হৌজিক্কী মতমগা শমজিন্নহনবনি।

অদুবু শমজিন্নবা হায়বসিদা পোৎশক অমদি চঙঙি। মদুবু নোভেলদা প্লোট কৌই। প্লোটকী মতাংদা ইংরাজিদা অসুম্না হায়রি, "A plot of a novel must be life conscious. It is not concerned with the banalities or trivialities of life. It deals with the fundamental issues, the problems, the passions, the conflicts, which are the essential texture of life. It deals with eternal passion, eternal pain." ৱাফম অসিনা তাকপদি প্লোট শেম্বদা ফাদোকপা য়াদে, ময়াঙদা কুমথরকউ, য়েক্লিবা লমচৎ অদুগী নুংগী অৱা-অনাদা মরু ওইনা য়েংঙু হায়বনি। লম অশোমদা বেরিল খজিক নাথৈখিবা মাল্লি। ৱারী অসি অসুম অসুম ফাদোকখিদুনা নোভেল মাল্লক্তবা, মেমোয়র মখল অমা ওইনা উরকপা মতাং য়াওই। লাইরিক অসিদা থাঙ্গগী পোৎ পূম্নমক হাপচিন্নবা হোৎনবদা শোয়খিবনি। মচাক্তি থন্না য়াওরে, অদুবু কমদৌনা থমগদগে হায়বা ৱাফমদা খজিক য়াংনা চৎলে।

লাইরিক অসিগী অৱাৎপা অমনা হৈরাং-লৈরাংগী, রোমেন্সকী এলিমেন্ট মচেৎ অমা য়াওদবা অসিনি। চাউবা কৌবা শক্তম অসিগী পীক্লিঙৈগী ওইরসু মায়কৈ অশোমদা ইপিসোদ অমা অনীদং হাপ্লম্লবদি অপাবশিংনা কাউঙম্লোইদবা অমদি ওইগদবনি। মদুদং নীংঙমহৌদে। অদুনা লোইশিল্লকপদা ৱাফম অমতং থম্বা তারবদা বেরিলগী 'ঐ অমদি অদুঙৈগী ঈথৎ' পাদবা য়াদ্রবা লাইরিক অমদি ওইরে। মসি পাদনা মণিপুরদা লৈবা মীশক অমত্তনা থাঙ্গ হায়বা মতম অমদা ঈথৎ ওইরম্বা ফজখ্রবা লমদমসি খঙবা মপূং শুকফা ফারোই। লাপ্পা য়েংবা লোক্তাক্লা নক্লা য়েংবা লোক্তাক্লা কয়াম খেন্নৈ হায়বদু লাইরিক অসি পারগা খঙলকই। ইম্ফালদগী থাঙ্গদা লাকপা খোঙচৎ মতেক অসিদা বস মনুংদা ঙসিগী মণিপুরগী পাউ লোইনা হাপচিনবা ঙম্বা, মঙলানগী মণিপুর ওইরমদবদা চাউবনা থমংখোঙদা বসতগী কুমথবদা কায়খিবা আশাদু পাচা মৈতৈগী 'ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ' হায়বদু নীংশিংহল্লি। মথংগী নোভেল ঙাইরি।




পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | ঐ অমদি অদুঙৈগী ঈথৎ |
| মখল | ঃ | নোভেল |
| অইবা | ঃ | বেরিল থাঙ্গ |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৫ |
| অফোঙবা | ঃ | মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি |

# 'অচুম্বদুদি'

### অজিত অনুভুতিনা ইবা হিন্দী ৱারী মচাগী লাইরিক 'কান্টি কা কফন' দগী লৈমপোকপম বেদান্তীনা মীতৈলোলদা হন্দোকপা

**কল্পনা** 'ৱাখলগী মঙলান' তশেংবমক্কী কল্পনানি, লাইবক ফবা খরদনা মঙফাওনবনি... লোয়নমক্তি মঙফাওনবা নত্তে। ৱাখলগী পোৎলুম পুরদুনা সহরগী মমিং চৎলবা উকিল আনন্দ মাগী বঙ্গলোগী য়ূমথক্তা অহিং থেংলবা ফাওবা হঙ্গৎ-হন্দা চৎলি। অমম্বা অহিংদুদা মরক মরক্তা চুরুট চম্বগী মৈঙাল উবা ফংই, মাগী লোইনবীদি য়াম্না নুংঙাইনা তূল্লি। পুন্সিনা নুমিদাংৱাইরম ওইরকপসিদা উকিল বাবুদু ৱাখল য়াম্না খল্লি।

নীংশিংলি ... চহী কুন্থ্রাতরেৎকী মমাঙদা মা মেট্রিক পাস তৌখি। মতমদুদা মাগী মপা ইবুংঙো মেজর ভারতসিংহদি শিলোংদা থবক তাদুনা লৈরি। মপাইবুংঙোনা টেলিগ্রাম থারক্তুনা মাবু কৌরকই...। 'আনন্দ নঙ শিলোংদা থুনমক লাকউ'। মতমদুদদি মাদি শুপ্নতংগী মাগী খুল বাড়ধাদগী ভিৱানী সহর ফাওবদংদি চৎলে। মা মাগী খুঙ্গংদগী লাপনা চৎনবগী খুদোংচাবা ফংদ্রি। মপুন্সিগী অহানবা ওইনা লাপখ্রবা শিলোংদা মথন্ত লাক্লি। রেলগাড়ী তোংদুনা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওবা লাকপদুদা মাগী থম্মোয়দা নুংঙাইবা অকিবা অনী য়ান্নরম্মী- মানা রেলগাড়ী তোংনা-তোংনা ষ্টেসন খুদিংগী কাখৎলক্লিবা মীশিংবু মুন্না-মুন্না য়েংই। লম্বীদা চেন চিংবা ... খৎন-চৈনবা কয়াদু উবদা আনন্দ মাগী খুঙ্গংদা হল্লসিরা হায়না খনবা ফাওবা য়াওখি। অদুবু মপাগী য়াথং অমদি পাউতাক মতুং ইন্না লাকপনা মথং নুমিৎকী অয়ূক অঙনবদা গুৱাহাটিদা থুংলরে।

গুৱাহাটিদগী বস তোংলগা শিলোং য়ৌরক্লে। বস ষ্টেসন্দা মিলিটরিগী থ্রি টোনগী গাড়ীনা মাবু ওক্লম্মী, গেরিজন গ্রাউন্দগী মাগী বঙ্গলোদা মেজর ভারতসিংহনা মচানুপা আনন্দবু ঙাইদুনা লৈরম্মী। মচাবু মথানুংদা কোল্লদুনা ইমুংদা পুশিল্লে, য়ূমগী অৱা নুংঙাই ৱারী কয়া শান্নরে, মেজরগী থম্মোয়দু নে তাজরে।

শিলোং চীংগী লমনি ... মায়কৈ মরি পুমশং শংই, লাইরমলেনগুম ইং-চিক্লবা মফমদু উবদা আনন্দ য়াম্না নুংঙাইরে। মানা লাকপা মতমদা খুঙ্গংদদি য়াম্না শাহৌই অদুগা মফমসিদদি নোংসু খরা খরা চুই অদুনা ঈংই। মেজর সাহেবনা মচাবু পুলিস বজারদা পুরগা মফি-মরোল অথাবা-অরুম্বা কয়া অমদি নোং চুবদা তোংনবা খোঙউপ কয়া লৈবীরে। নুমিৎ নীনি হুমনিদি বঙ্গলোদা য়াম্না নুংঙাইনা লৈরে, নুমিৎ খরনিদুদা মপাগী অর্দালি রামকিশনগা মরুপ ফজনা শান্নরে। মানা আনন্দবু ফিরোল করম্না শেৎকদগে, করম্না ফোন ওক্কদগে হায়বনচিংবা কয়া তম্বীরম্মী। মপানা ছুটি চৎখ্রবদা মানা মপাগী ফিজোল শেৎচি দুনা মিংশেল য়েংই, মপাদৌনা চৎলি, মপাদৌনা ঙাঙই। নোংমদি মানা মপাগী ফিজোলদু শেৎচিল্লগা অর্দালীদা থৌদারম্মী, মদু মপানা উথোকখ্রে, মপানা করিমত্তা শাউরমদে মদুগী মহুত্তা মচানুপা লাকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা মাগী বঙ্গলোদা নুমিদাংগী চাকলেন অমা শীল্লম্মী।

য়ু অমদি নুপী মফমসিগীদি চৎনবীনি। মাসু মফমসিদা পুন্সিগী অহানবা ওইনা য়ু থকখি। য়াম্না নুংঙাইবা মতৌনি, সাহেব, মেম সাহেব অমদি মচাশিং লোয়না মানা মানা থোকপা নুংঙাইরি। মেজর সাহেবসু মাগী মরুপ মপাংশিংগা লোয়ননা য়াম্না নুংঙাইরি। আনন্দদি খঙনবা অমত্তা য়াওদবনিনা মীতোপকুম কাচিন অমদা লেপ্লি- তাঞ্জাসিদা য়াম্না নুংশিবা মেংলবা খোঞ্জেল অমা তারকই। কল্পনা...মানি...কল্পনানা মাবু নুমিত্তুদা হোলগী মপান্দা কোয়বা পুবিখি। ৱারী সুম শান্নবদগী মবান্নি নীংথিনা শক খঙনরে। মাগী মপা মেজর শরত সিংহনি অদুগা মখোয় অম্বালা (হরিয়ানা) দগীনি, মদু খঙবদা আনন্দ অমুক্লা হেন্না হরাউরে। নুমিৎ কয়ানিগী মতুংদা মশাগী লোন্দা ৱারী শান্নবা ফংবদা মা য়াম্না হরাউরে... নুমিদাংদু আনন্দ হান্নগী মতৌদু নৎত্রে। মা অয়ূক্তা পুং মঙাদা লমজেল চেনবা, উনমুক ঈংবা ঈশিংনা ঈরুজবা, অদুদগী শঙ্গোম থকপা অমদি চরা ৱানবা লোয়রগা বেদমিন্টন কোর্ট চৎপা মাগী হৈনবী ওইরক্লে। মাদি মখোঙনা চৎলি অদুগা কল্পনানা মোপেদতা লাকই। মখোয় বেদমিন্টন শান্নমিন্নৈ অদুবু আনন্দদি কল্পনাগী ৱাখলদা পূক্লিং চঙখিবনা শান্নবা খুদিং হেক্তা মায়থী, মদুদা কল্পনানা হরাউবসিদি। হায়নৈ নুংশিবদি মথন্তা অদুম ওইজরকপনি, নুংশিগে খল্লগা নুংশিবা য়াবা নত্তে। বেদমিন্টন কম্পিটিসন অমা তৌই। মদুদা কল্পনানা ফার্ষ্ট তারকই, হরাউমনখিদুনা মীয়াম মরক্তুদা কল্পনানা আনন্দবু কোল্লি। মেজর ভারতসিংহ অমসুং মেজর শরতসিংহনা মদুগী নুংগী অর্থদু ভাব তারে। মখোয় অনী অমগা অমগা মুন্না য়েংনৈ, করম্বা মিৎয়েংনো ? কনাসু খঙখিদে।

হৌজিক্তি নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা দ্যুতিদগী হল্লকপা মতমদা পূন্না হল্লকমিন্নদরে, হান্নদি মখোয় অনী পূন্না হল্লকমিন্নৈ... নুমিদাংৱাইরমসু পূন্না ফম্মিন্নরম্বনি। অদুবু নুমিৎতুদগী অহলশিংদা নত্তনা অঙাংশিংসু অমগা অমগা উনহনখিদ্রে।

নোংমা আনন্দনা রোয়েল এনফিল্ড থৌবা তল্লিঙৈদা চীংদা থেংজিল্লম্মী। খরা থিনা শোক্লে। তাঞ্জাদুদা কল্পনাসু থ্রি টোন তোংদুনা থবক অমা চৎলম্মী, মানা গাড়ীদু খামহল্লগা দ্রাইভরদুবু আনন্দগী মতেং পাঙহল্লম্মী। মশাদু ইংবনা তরৎ-তরৎ চিংশিল্লে। কল্পনানা মানা ইল্লিবা ফি অথাবদু পরপ-পরপ লৌথোক্লগা আনন্দদা ইনশিনবীরে, গাড়ীদা য়াওরিবা কম্পোর অনী অমসু শুপচিনবিরে। আনন্দ ৱা ঙাঙবা ফাওবা থোক্ত্রে। অদুম ওইনমক হায়বগুম তৌরি, কল্পনা নঙ ঐগীনি। খুন্নাইগী শম্বল কৈদৌঙৈদসু মায় লৈরোই। কল্পনাসু পূক্লিংদা খল্লি- মানি আনন্দ, ঐসু খল্লি, ... নঙবু ... ঐ নঙবু পুন্সিগী অরোইবা মতম ফাওবা ঙাইখিনি।

অদুবু কল্পনানা মবান্নি থুংনবা হায়বসি ৱানা থোকপদা নত্তনা ওইথোকপগী ৱাংমদা লৈখ্রে। মাগী মপা অম্বালা কেন্টতা ট্রান্সফর চৎখ্রে অদুগা মেজর ভারতসিংহনা থবক্তগী পোথারদুনা মাগী খুঙ্গংদা হল্লক্লে। মেজর সাহেবনদি আনন্দবু মিলিটরিদা য়াম্না চঙহন্নিংলম্মী অদুবু মমানদি অমত্তা পোকচবা মচানুপানি, মদুসু মচানুপী মরিগী মনুংদা, মদুগী মথক্তা জমিন্দারগী থবকসু য়াওরি অদুনা য়ারমদে। পূম্নমক মমাগী অপাম্বা মতুংইন্না পাঙথোকখ্রে। মা উকিল ওইরে, মচে-মচল মরি লুহোংখ্রে। হৌজিক্তি চাউখ্রবা য়ুমজাওদুদা মখোয় অহুমগা য়ূমগী মীনাই খরগদা ঙাইহৌরে। মানা মাগী নুংশিবদু মীয়ামদা খঙহল্লে অদুবু খুন্নাইসিনদি মবান্নি নুংশিনবদু থৌওইবিখিদ্রে। আনন্দ মায় পাক্লবা উকিল অমনি, তুমিন্না কোর্ট মেরিয়েজ ফাওবা তৌবা য়াবনি অদুবু অহল ওইরবী মমাগী মমাঙদা মনীংতম্বা ঙমজদে, তুমিন্না মাগী লুহোংবদু য়ারে।

উকিল সাাহেবতু হৌজিক্তি সহরদা লৈরে। মচানুপী অমখক্তনি মদুসু অফবা ইমুংদা থাজখ্রে। মানা নুংঙাইত্রিবগী মরমসি কল্পনানা নাইতোম তাবা পুন্সি লেনবদুনি। মা অহানবদদি অম্বালাগী কোলেজ অমদা ওজা ওইরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি কদায়দা লৈখ্রবনো খঙদে...। পৈশাসু ৱাৎত্রে... মিংচৎসু ৱাৎত্রে অদুবু আনন্দ কল্পনাগী মনিং থুংহনবদি ঙমদ্রে। মসি মহৌশাগী চৎনবী ওইরমাল্লে ... অমম্বগা অঙানবগা তিন্নবা য়াব্রানে?